# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 40, Issue No.237 | য়ুমশকৈশা, পোইনু নোংমা পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, November 30, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50




য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট গাইদোন কামৈ অমসুং ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি এস কে ষ্টেফেন থাদোকউ হায়বা দিমান্দদা নোনে কৈথেলদা খোঙচৎ চৎপা



ইথাই বারাজ হাংদোক্লুনা ঈশিং থাদোকপদা লম্বী নমথখ্রবা মফমশিং অথুবদা শেমজিন-শাজিন্নবা মিনিষ্টর ঙমথং হাওকিপ অমসুং ডা. কে ঐচ রতনকুমারনা লুচিংবা টিমনা য়েংশিনবগী শক্তম



ঙসি শঙ্গাগদবা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোক চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা লুচিংবা টিমনা য়েংশিনবা





আই-এম অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকা লৌতুনরগা ইকনমিক ব্লোকেদ চথহনবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা শীখিবা মরাল য়ানিংদবা ফোঙদোক্লিবা বি জে পিগী লুচিংবশিং

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৪.৯৪ °c | ১২.৮৯°c |
| চান্দেল | ২৬.৩১ °c | ১৮.৪২°c |
| সীসীপুর | ২৪.২০ °c | ১০.৭০°c |
| ইম্ফাল | ২৫.৫৭°c | ১২.৯১°c |
| সেনাপতি | ২২.৩০ °c | ১১.০৪°c |
| তমেংলোং | ২৭.৩৮ °c | ১২.৩৪°c |
| থৌবাল | এন এ °c | এন এ °c |
| উখ্রুল | ১৪.৭৭ °c | ৮.৩৬ °c |
| মণিপুর | ২৭.৩৮ °c | ৮.৩৬ °c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০১ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## সী এমনা য়েংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯: হয়েং অয়ুক শঙ্গাগদবা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী নৌনা শাবা এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোক চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা মিনিষ্টর কাঙবু অমনা ঙসি য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা কন্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, ৱার্ক্স মিনিষ্টর কে এস ঐচ বিরেন, আর দি এন্দ পি আর মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রো, হেল্থ কন্মিস্নার পি কে সিংহ য়াওনা জেনিমসকী দিরেক্টর য়াওনা মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টশিংসু শরুক য়াখি। এ-ব্লোক শাবা অমদি মচু মমেন শংবা মপুং ফানা লোইশিল্লম্বদা চীফ মিনিষ্টরনা হরাওবা ফোঙদোকখি। ব্লোক অসি সী এম ইবোবী, দেপ্যুটি সী এম গাইখাঙম, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর দি কোরুংথাংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইদুনা শঙ্গাগদবনি।

## রিমসতা গ্রেনেদ

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ : রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী ইন্টেনসিব ক্যেয়র য়ুনিট (আই সী য়ু) মনাক্কী গেটতা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থল্লম্লে। হেন্দ গ্রেনেদ অদু ঙসি নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবা মতমদা হোস্পিটালগী পেসেন্টগী কাঙবুনা হান্না থেংনরকপনি হায়রি। বোম অদু পুলিসকী টিম অমা লাক্তুনা মফম অদুদগী লৌখৎখ্রে। অমরোমদা, প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্নদি পোরোমপাৎকী জেনিমসকী ও পি দিগী সেকেন্দ গেটকী সিক্যুরিটিগী মনাক্তা ঙসি নুমিদাং শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থল্লম্লে হায়রি। অদুমকপু হোস্পিটাল ওঠোরিটি অমসুং পুলিসনদি বোম থল্লম্বা লৈতে হায়রি।

**গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি**

## HL POLL

**Q : Economic Blockade chatthabasingna Noneyda gari mayam thugairakpa police na heisingba watpanara?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

**Q : Sangai Festival yengba meegi mashing hantharaklibasi tourism departmentki asoiba leibanara?**

Yes 49% No 51%

## অস! লোইরেহে!

ঙসিদি শেল কায়থোক্লবা এ টি এমদা ক্যু লেপ্পা চৎপীরোইদ্রা... !



চৎকনি, লেপহৌদ্রদি চাক চঙদ্রে...!

# ব্লোকেদ তৌবশিংনা ট্রক ৩০ ফাজিনখ্রে

## ♦ নোনেদা ঈরাং থোকখ্রে ♦ পুলিসনা কাপ্পদা নুপী ১ শোক্লে ♦ অহেনবা ফোর্স চঙশিনখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯(ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না শীজিন্নবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুদুনা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা জিরিবামদগী ইম্ফাল তম্না থোরকপা পোৎ থন্না য়াওবা ট্রক ৩০ ইকনমিক ব্লোকেদ শৌগৎপশিংনা ফাজিনখ্রে। মীয়ামগী ঈরাং লাকশিন্নবা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা নুপী অমা পান্দুনা শোকপদগী লায়কন্নখ্রে।

জিরিবামদগী ফংবা পাউনা হায়, পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং য়াওনা অতে পোৎলমশিং পুবা ট্রক ৫০৬ ঙসি অয়ুক পুং ৮ অদুৱাইদা জিরিবামদগী ইম্ফাল তম্না থোক্লরকখি। মশীং য়াম্লবা ট্রকশিং অদু মশীং য়ামদবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ইম্ফাল তম্না পুথোরকপদা মশীং য়াম্লবা নুপী-নুপা কয়ামরুম হৌরক্তুনা নোনেদা ঙসি অচৌবা ঈরাং থোকখ্রে।

ঙসি নুংথিলগী পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা জিরিবামদগী থোরকখিবা মমাঙ থংবা ট্রকশিং অদু নোনে থোংখোঙ য়ৌরকখি। মফম অদুদা মশীং য়াম্লবা নুপী অমসুং নুপা কয়ামরুমনা লম্বী থিংদুনা থমখি। লম্বীদা মৈ থাবা অমদি নুঙ পৈশিন্দুনা থম্বদগী গাড়ীশিং অদু চৎপা য়াখিদে। অসুম্না গাড়ীশিং অদুনা হেক খাম্বগা মীয়াম হুপচিল্লক্তুনা ট্রকশিং অদুগী ট্যুবশিং নুংশিৎ থাদোকখিবনা মখা তানা চৎননবগী পাম্বে লৈখিদে। গাড়ী খরদগী ব্লোকেদ শৌগৎপশিংনা পোৎ-চৈ লৌথরগা লৈমায়দা চাইখাইদুনা মাঙহনখি হায়রি।

মীয়ামগী ঈরাং অদু লাকশিন্নবা পুলিসনা নোংমৈ রাউন্দ খরা কাপখি। নোংমৈ কাপ্লবসু মীয়াম অদুদি মফমদু থাদোক্তুনা চৎলু হায়বা য়াখিদে। পুলিস পার্সনেলশিংনা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপ্তুনা ময়াম অদু তানখায়ননবা হোৎনখি। নোংমৈ অমদি টিয়র গ্যাস কাপ্পদা অকিবা পোক্লবা মীয়াম অদুনা নুঙনা থোল্লকপদগী গাড়ী ৩০ রোমগী ৱিন্দসিল্ড য়াওনা অতে মফম কয়াদা অকায়-অতোয় থোকখি।

গাড়ীশিং অদু চৎপা য়াদবদগী লম্বী থৎচিন্দুনা লৈখিবনা মরম ওইরদুনা অতে গাড়ীশিংসু মফম অদু নাম্থোক্তুনা চৎননবগী পাম্বে লৈখিদে। এস্কোর্ট চৎলিবা পার্সনেলশিংসু মশীং য়ামদবা অমসুং মখোয়না নোংমৈনা কাপ্পদা মীশি-মীনা য়াওরবদি লৈঙাক্লা কৈদৌঙৈদসু মখোয়বু কনবীরোই হায়বা ৱাখল্লোন্না মাঙদা থারগা থবক তৌরকপদগী মীয়াম অদুগা মতম শাংনা মুক্রুখিদে।

পাউ অদু ফংবদগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি, এন হেরোজিৎ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি হাওবিজম য়োগেসচন্দ্রনা লুচিংদুনা মশীং য়াম্লবা পুলিস কন্মান্দোগী ফোর্সশিং মফম অদুদা চঙশিনখ্রে। ইম্ফালদগী চঙশিনখিবা পুলিস ফোর্সশিং অদুনা নোনেদা ঈরাং হৌরিবা মীয়াম তানখায়ননবা নোংমৈ কাপ্পদা নুপী অমা সেগ্রাক ময়াদা পান্দুনা শোকখি।

পুলিসনা ঈরাং অদু লাকশিল্লে হায়না ক্লেম তৌরি। অদুবু মফম অদুদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্নদি নুমিদাং অথেংবা ফাওবা মীয়াম্না মফম অদু কন্ট্রোল তৌদুনা থল্লি।

ঈরাং অদু থোক্লিঙৈগী মমাঙ ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদগী নুমিৎয়ুংবা ফাওবা নোনে কৈথেলদগী লুখন্বী ফাওবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎখি। মতুংদা লুখন্বীদগী নোনে কৈথেল ফাওরগা নোনে পুলিস ষ্টেসন ফাওবা চৎখি হায়রি। মতুংদা মীয়াম অদু অমুক হল্লক্লগা নোনে থোং ৱাংমা মচিন্দা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি হায়রি। *মখা লামায় ৩ কলম ১*

# তোংজৈ মরিলদা মীয়াম্না কাউন্টর ব্লোকেদ চথখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯(ঐচ এন এস) : য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীল (য়ু এন সী)না থা অসিগী ১দগী চথরকখিবা ইকনমিক ব্লোকেদনা মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং অসিগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা খোঙজং ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তোংজৈ মরিল হায়না খঙনবা খৌপুম তাবা লম্বীদা ঙসিদগী কাউন্টর ইকনমিক ব্লোকেদ হৌখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মরুওইবা মফম অমা ওইরিবা খৌপুমগা ফাওনরিবা তোংজৈ মরিল হায়না খঙনরিবা ওল্ড কছার রোদ অসিদা মখল খূদিংমক্কী পোৎচৈ অমত্তা পুশিনবা য়াহন্দবগী খোঙজং অসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা মীয়াম, ক্লব অমসুং ওর্গনাইজেসন কয়ানা পুন্দুনা চথরকপনি। বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর ২ অমসুং ৩গী লোন্নবা লম্বী অসিদা ফুরুপ, কাঙলুপ কয়ানা পুন্না কাউন্টর ইকনমিক ব্লোকেদকী খোঙজং অদু চঙশিনবা হৌখিবনি। য়ু এন সীনা চথরিবা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসিনা মরম ওইরদুনা ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা লৈরিবা মীয়ামদা চৈথেং পীরি। পোৎকী মমল অঙকপা ফংনবা তাঙবদা নত্তনা অপাম্বা পোৎ লৈগে হায়বা ফাওবা ফংলক্তবা মতম হায়বদু ওইরে।

অমরোমদা, লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনদবগী মীয়াম্না খমথেংনা অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ মতম অসিদা য়ু এন সীনা মণিপুর মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং অসি হন্দোক্তুনা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি হন্দোক্ত্রিবমখৈ কাউন্টর ইকনমিক ব্লোকেদকী খোঙজং অসি লেপ্পুনা চথখিগনি হায়না খোঙজং অদুদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

# নিঙেলগী থুম লম কয়াদা শীজিন্নবা পুথোকপা লেপত্রি

**গ্যানন্দ নাওরেম**



মীওই কয়া অমনসু শীজিন্নরি।


ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯(ঐচ এন এস): মৈহৌরোলদগী লমদম অসিগী মীয়াম্না তঙাইফদবা পোৎলম অমা ওইনা শীজিন্নরকখিবা য়াইরিপোক নিঙেলদা শাবা মৈতৈ থুম হৌজিকসু লাইনিং-লাইশোল অমসুং হীদাক লাংথক্কা মরী লৈননা পুথোকপা লেপত্রি।

মণিপুরগী মরুওইনা মৈতৈ/মীতৈশিংনা লুহোংবা, লান্না থৌরম, লাই-তিন খুরুম্বদা শীজিন্নবা, মৈনিং কুপ্পী নুপীশিংদা পীজনবা ঙসিসু লেপ্পুনা মীতৈ থুম (থুমপাক) পুথোক্তুনা মীয়ামদা ফংহল্লি। থুম অসি ঈশিংদা থাদরগা নৎত্রগা থুমহী অদুনা খনাউ নাবা, য়ারি য়াখোঙ ঈ থোকপনচিংবা ফহনবা ঙম্বা অফবা হীদাক্লি হায়দুনা

আইওদাইজ তৌরবা পেকেটতা হাপ্লা থুমশিং চঙলক্ত্রিঙৈ, য়াম্না ঙল্লিঙৈগী মতমদা মণিপুরদা পাক শন্না শীজিন্নরকখিবা থুম অসি ৱাইখোঙ, চন্দ্রখোঙ, সিখোঙ, য়াইরিপোক নিঙেলনচিংবা মফমশিংদগী শুংদুনা শীজিন্নরমখি। অদুবু ঙসিদি মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না পেকেট তৌরবা অমসুং আইওদাইজ তৌরবা থুমশিং মণিপুরগী মপান্দগী পুশিল্লকখিবনা মণিপুরগী থুম শুংদুনা শেন্দান লম্বী ওইরম্বা মীওই কয়া ঙসিদি থুম শুংবগী শীনফম থাদোক্লখ্রে। মণিপুরগী অয়ান্বা মফমদা থুম শুংবগী থবক চথনখিদ্রবসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা য়াইরিপোক নিঙেলদদি ঙসিসু থুম শুংবগী থবক চথনহৌরি।

ঙসি ঙসিসু থুম শুংদুনা ইমুং-মনুং পুরিবী য়াইরিপোক নিঙেল মনিং লৈকায়দা লৈবী মুতুম মাইমু (৬০) মপুরোইবা বিজয়না থুম শুংবগী মতাংদা হায় থুম শুংদুনা ইমুং-মনুংগী শেন্মীৎলোনদা মতেং খজিত্তুং ওইরবসু পাংনবা থুম শুংবগী থবক অসি চথরকখিবনি। মণিপুরদা লৈরিবা মৈতৈ/মীতৈশিংনা লুহোংবা, লান্না থৌরম, ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

# চকপী তুরেলদা অনৌবা ঙা স্পিসিজ ১ লৈরম্লে



**সোভাপটি সামোম**

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচএন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লাইফ সাইন্সেস দিপার্টমেন্ট (ফিসরি সেক্সন) গী রিছার্চ টিম অমনা ম্যান্মারগা লোন্নবা মণিপুরগী চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা চেনবা চকপী তুরেলদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক চথবদা অনৌবা ঙাগী স্পিসিস অমা থেংনখ্রে।

তুরেল অসিগী ময়া নক্লা খুন্দারিবা অনাল ত্রাইবকী দাইলেক্টতা অনৌবা ঙাগী স্পিসিস অদু ‘ঙা থানু’ হায়না খঙনৈ। সিলোরিনকস কোনেমি হায়নসু খঙনবা অচৌবা স্পিসিস অদু রিছার্চর বুঙদোন সাংনিঙ্গম অমসুং লাইফ সাইন্সেস দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর ৱাইখোম বিশ্বনাথ অমসুং আই য়ু সী এনগী ফ্রেশ ৱাটর ফিস স্পেসিয়েলিষ্ট গ্রুপ অমনা পুথোকখিবনি।

টিম অদুগী মরু ওইবা রিছার্চর সাং নিঙ্গম হৌজিক জুলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়া য়াওনা মরু ওইবা রিছার্চ সেন্টরশিংদা থবক তৌরি। মহাক্কী মোত মতুংইন্না, স্পিসিস অদুগা মরী লৈনবা মখোয়গী সাইন্টিফিক পেপর অদু হৌখিবা চহী ২০১৫ দা সবমিট তৌখি। মখোয়না সবমিট তৌখিবা ষ্টদি পেপর অদু অখঙ-অহৈশিংনা কুপ্পা রিভিয়ু তৌরবা তুংদা অনৌবা স্পিসিস অমনি হায়বা য়াখিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# কে সী পি পিপল’স ৱার গ্রুপ শেমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ : কে সী পি পিপল’স ৱার গ্রুপ শেমখ্রে হায়না কে সী পি (পোইরৈ মৈতৈ লূপ)কী চ্যেরমেন পোইরৈ মৈতৈ, কে সী পি (মিলিটরি কাউন্সীল) গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি পাইখোম্বা মৈতৈ অমদি কে সী পিগী প্রসিদেন্ট তমঙানবা মৈতৈনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কংলৈ নীংতম য়াওল লালহৌগী পরিংদা মান্নবা খুন্নাই (সোসিএলিষ্ট সোসাইটি) দা য়ুম্ফম থোন্দুনা শাফোঙলকখিবা কে সী পিনা থেংখাং কয়াদা মচোই-মচোই ওইনা চৎনরুবনা ঙসিদি কংলৈ মীয়াম মাঙদা হঙ্গোই তুক্কৎচরবা মাফিয়া মোর্ফোলোজিকেল ষ্টেজ অমগী তাঙ্কক্লা পাঙ্খক ওইরে হায়বদা থোইনা ককনিংঙাই য়াওদ্রবা ৱাফম অমা ওইরে। লৈবাক মীয়ামগী নীংতম য়াওল লালহৌ অমা ওইনা মচোই তানা চৎলিবা কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি ফেক্সনশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা মাক্সিস ঠিওরিগী ৱাখল্লোন অমদি ইথোস পান মাঙ্গোলোইদা য়ুম্ফম থোন্দুনা পুনশিন তাশিন্নবা থেংখাং কয়ারক হোৎনদুনা লাকপনা কম্যুনিষ্ট দোক্ট্রিনগী মান্নবা খুন্নাইদা ৱাখল্লোন তীন্নবা লূপ অহুম কে সী পি (তমঙানবা মৈতৈ), কে সী পি (এম সী-পাইখোম্বা) অমদি কে সী পি (পোইরৈ মৈতৈ লূপ) না থা অসিগী ২৭ কী অয়ুক পুং ১১ তাবদা কে সী পি (পোইরৈ মৈতৈ লূপ) কী চ্যেরমেন পোইরৈ মৈতৈ এলিয়স রোকিনা ময়ায় তাংবল লৌখিবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

# রাজ মেদিসিটিদা দিসেম্বর ১৫ ফাওবা শেল লৌদনা ও পি দিদা লায়েংগনি : মেনেজিং দিরেক্টর



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচএন এস): রাজ মেদিসিটিগী ও পি দিদা হয়েং নবেম্বর ৩০ দগী মথং থা দিসেম্বর ১৫ ফাওবা নুমীৎ ১৬ নি চুপ্পা মীয়াম্না লেম্না লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি হায়না রাজ মেদিসিটিগী মেনেজিং দিরেক্টর হাওবিজম রাজেননা ঙসি লাউথোকখ্রে।

নোর্থ এ ও সীদা লৈবা রাজ মেদিসিটিদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা হোস্পিটাল অসিগী মেনেজিং দিরেক্টর ওইরিবা হাওবিজম রাজেননা হায়খি, ষ্টেটসিগী নেসনল হায়ৱেশিংদা হৌজিক হৌজিক চথরিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অমদি অরিবা লুপা ৫০০ অমসুং ১০০০ চৎপী নোট চৎনহনখিদবনা মরম ওইরগা শেল লৈতবদগী লমদমসিগী মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া চাউনা মায়োক্লরি। খুদোংচাদবশিং অসিগী মথক্তা অনা-লায়েংবগী শরুক অসিসু অমনি। মরম অসিনা মীয়াম্না অনা-লায়েংগী লমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি খরমখৈদা ওইরবসু কোকহন্নবগী পান্দমদা হোস্পিটাল অসিনা পায়খৎপা কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটি স্কিমগী মখাদা মীয়াম্না রাজ মেদিসিটিগী ও পি দিদা লেম্না লায়েংবগী খুদোংচাবা অসি ফংহন্নবা লাউথোকপনি।

ও পি দিদা লায়েংবা লাক্কদৌরিবা অনাবশিংগী মরক্তা বেসিক ওইবা মেদিকেল টেষ্ট তৌবগী মথৌ তারকপা মীওইশিংদসু লেম্না টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি। শেল তীংদনা লেম্না টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবা ফংহন-গদবশিং অদুদি, হেমোগ্লোবিন, য়ুরিন রুটিন টেষ্ট, ব্লদ গ্রুপিং টেষ্ট, রেন্দম ব্লদ সুগর, ব্লদ সুগর ফাষ্টিং, ব্লদ সুগর পি পি, ...*মখা লামায় ৩ কলম১*

# দিমোনেটাইজেসন্না এদিটরস গিল্ডকী ম্যান্মার খোঙচৎ মপুং ফাহনখিদ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯(ঐচ এন এস): মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কন্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টকী তেংবাঙগা লোয়ননা এদিটরস গীল্ড মণিপুরগী মীওই ১০ না শাবা টিম অমা থা অসিগী ২০ দগী ২৬ ফাওবা ম্যান্মারগী মফম খরদা চত্তুনা ইন্দিয়াগী এক্ট ইষ্ট পোলিসী (হান্না লূক ইষ্ট হায়রম্বা) গা মরী লৈননা য়েংশিল্লুরে। খোঙচৎ অদু দিমোনেটাই-জেসনন‍া মায় পাকহনখিদে।

দিমোনেটাইজেসননা মরম ওইরগা এদিটরস গীল্ড মণিপুরনা মাঙজৌননা য়াৎখিবা প্রোগ্রামদগী তঙাইফদনা খজিত্তুং হোংদোক-হোংজিন তৌখি। লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদবা অদুনা শেল কায়থোক-কায়শিনদা অপনবা ওইখিবদগীনি। মরম অদুনা তঙাইফদনা কে বি ইন্টর্প্রাইজেসকী টুর পেকেজ অদুদা এদিটরশিংসু শরুক য়াখি।

খোঙচৎ অদু এক্ট ইষ্ট পোলিসীগা মরী লৈনজরবসু লম কোয়বা কয়াগা খোঙবু ওইখিবনা এদিটরস গীল্ড মণিপুরগী খোঙচৎ অদুসু লমকোয়বগা মরী লৈনবা হীরমশিং (টুরিজম) দা হেন্না মীৎয়েং থমখি। খোঙচৎ অদুগী অহানবা নুমিৎতা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা খিংবা য়ারিবা শরিক্লি হায়না লৌনরিবা শেঙ্গেংনা শাবা ‘মিঙ্গুন বেল’ (কিলোগ্রাম ৯০,৭১৮ লুম্বা) য়েংখি। মন্দলেদগী কিলোমিটর ১১ খরা হেন্না লাপ্লা ইরাবদি তুরেল ৱাংমদা সগাইং দিভিজনদা লৈরিবা শরিক অদু য়েংদ্রিঙৈদা মফম অদুদা লৈবা শাবা লোইশিন্দনা লৈরিবা চাওরবা পেগোদা য়েংখি। নুমিদাংৱাইরমদা মন্দলে চীংদা চত্তুনা মফম অদুদগী নুমিৎ তাবা য়েংখি। নুমিৎ অদুগী প্রোগ্রামদা য়াওজরবসু সনানা পানা য়ৈদুনা মপাক-মপাক (গোল্ড লিফ) শেম্বা অদুদি মথংগী নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা য়াঙ্গোন চৎপগী লম্বীদা য়েংখি। সনা মপাকশিং অদু ম্যান্মারগী ওইনদি লাই খুরুম্বা মতমদা বুদ্ধগী শক্তমদা মপাক-মপাক নপ্পুনা খুরুম্বসু চৎনৈ। হায়রিবা সনা মপাক অদু মণিপুরগী লাই খুরুম্বদা সনা কোনয়াস, লুপা কোনয়াই হায়দুনা য়াম্না পাবা সনা মচেৎশিং শেম্বদা শিজিন্নবা অদুগা চপ মান্নে।

কিলোমিটর ৬২৫ শাংবা মন্দ-লেদগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

### সুপ্রিম কোর্টনা মোইরাং এ সীগী এম এল এ মাইরেম্বম পৃথিবীরাজদা পীবা চৈথেং

# মণিপুর হায় কোর্টকী য়াথং এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েটনা থবক্তা ওন্থোক্ত্রি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯(ঐচ এন এস): সুপ্রিম কোর্টনা মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এদা পীবা চৈথেং অমসুং মণিপুর হায় কোর্টনা পীখিবা য়াথং মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্ত্রি। মসিনা মরম ওইরগা মরুওইনা মোইরাং এ সীগী মীয়ামদা চমন্নবা পোকহল্লে।

কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী মীখলদা এম পৃথিবীরাজনা মোইরাং এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা মায় পাকখিবগী থৌওং চৎনবা য়ারোই হায়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা ৱায়েল অমগী মায়োক্তা পৃথিবীরাজ মশানা ফাইল তৌখিবা আপিল পিটিসন অমা সুপ্রীম কোর্টনা লৌখিদ্রে।

মাইরেম্বম পৃথিবীরাজনা মীখলগী মীরেপচে পীশিনবদা মশাগী এদ্যুকে-সনেল ক্বালিফিকেসন (মহৈ-মশিনগী থাক)গী মরমদা অরানবা ঈ-পাউ পীখি হায়বগীদমক মীখলগী ফল চৎনহনবীদনবা মীখল অদুদা পৃথিবীরাজগী লম্বা ওইখিবা পুখ্রেম শরতচন্দ্রনা হায় কোর্টতা ৱাকৎখিবনি।

ইলেক্সন কন্মিসন্না ১০ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী মীখল পাঙথোক্লবগীদমক কুমজা ২০১২ গী জন্যুৱারি ৪ দা নোটিফিকেসন থোকখি। মীখল অদুদা এম পৃথিবীরাজনা নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি) অমসুং পি শরতচন্দ্রনা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী) গী মীরেপ ওইনা মীরেপচে পীশিনখি। মখোয় অনী নত্তনা অতোপ্পা মীওই অমত্তা মীরেপচে পীশিনখিদে। স্ক্রুটিনি মতমদা এপেলেন্ট (এম পৃথিবীরাজ) গী মহৈগী থাক শেরান্নবা হায়জিল্লি হায়বা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা রেস্পোন্দেন্ট পি শরতচন্দ্রনা অয়েৎপা পীরকখি।

রিটর্নিং ওফিসরনা এপেলেন্ট এম পৃথিবীরাজদা মহৈগী থাক্কা মরী লৈনবা অমসুং খুদম চাংদম ওইবা য়াবা চে-চাং পুম্নমক পীশিল্লক্লবা খঙহনখি। এপেলেন্টনা মরী লৈনবা চে-চাং অমত্তা পীশিনখিদে। অদুম ওইনমক রিটর্নিং ওফিসরনা মীরেপচে লৌশিনখিবগা লোয়ননা নোমি-নেসনদা অয়াবা পীখি।

জষ্টিস অনিল আর দাবে অমসুং জষ্টিস এল নাগেশ্বরা রাওগী বেঞ্চনা হায়খি, কুমজা ২০১২ গী জন্যুৱারি ২৮ দা মীখল পাঙথোক্লগা চহীদুমক্কী মার্চ ৬ তা ভোট মশীং থীখি অমসুং নুমীৎতুমক্তদা মীখলগী ফল লাউথোকখি। এপেলেন্ট এম পৃথিবীরাজনা ভোট মশীং ১৪,৫২১ ফংদুনা মায় পাকখি। রেস্পোন্দেন্ট পি শরতচন্দ্রনা ভোট ১৩,৩৬৩ ফংদুনা মায়থিহৌখি।

পি শরতচন্দ্রনা গৌহাতি হায় কোর্টতা ইলেক্সন পিটিসন অমা ফাইল তৌদুনা মীখলগী ফল চৎনহনবীগনু অমসুং এম পৃথিবীরাজগী মথক্তা রেপ্রজেন্টেসন ওফ দ পিপল এক্ট, ১৯৫১ গী সেক্সন ১২৫-এ অমসুং ১২৭ কী মখাদা ক্রিমিনেল প্রোসিদিংস লৌখৎপীয়ু হায়না ৱাকৎখি। কাঙলোন কায়না মীরেপচে লৌশিনখিবগী মথক্তা এম পৃথিবীরাজনা অরানবা থৌওং কয়া চথখি হায়নসু শরতচন্দ্রনা ৱাকৎখি।

অমরোমদা, পৃথিবীরাজনদি মহাক্কী মথক্তা শীরল্লিবা মরাল অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*